# ইরাননা গল্ফকী ষ্টেটশিংগা মরী ফগৎহন্নবা শেম-শারে : রৌহানি



দুবাই, ফেব্রুৱারি ১৭ (এজেন্সি):
য়ু এস অমসুং ইজরেলনা অকল-অরিং শিংবা হেনগৎলক্লি হায়রদুনা ইরানগী প্রসিদেন্ট হসন রৌহানিনা মহাক্কী লৈবাক্না মিদ্দল ইষ্টতা য়ুন্নোন্নবা লৈবাক খুদিংমক্কা হোৎনমিন্নদুনা মরা চেৎপা ফীভম লৈহনবা পাম্মী হায়না নোংমাইজিং নুমীৎতা ফোঙদোকখ্রে।

রিজনল রাইভল সাউদি অরাবিয়া অমসুং অমেরিকাগী মরী শোন্থহন্নবা ইনৌ নৌনা হোৎনরকপদা প্রসিদেন্ট হশন রৌহানিনা থৌরাং অসি খন্নরকপনি। ইরান অমসুং সাউদি অরাবিয়ানা চহী কয়া লিশাং শিংনা প্রোক্সি লান শোক্নরকখিবনি। মখোয়না সিরিয়া অমসুং য়েমেনগী কনফ্লিক্ট-শিংদা অমগা অমগা য়েংথিনরিবা মায়কৈশিংদা লেপশিন্নখি।

তৌইগুম্বসুং প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসপু ২০১৫ দা ইরানগা মালেমগী পৱার তরুক্কা সাইন তৌনখিবা ন্যুক্লিয়র দিলদগী ৱিথদ্রো তৌখিবদগী অমসুং ইরানগী মথক্তা অথিংবা কয়া অমুক হন্না থমজিনবদগী তেহরানগী মথক্তা প্রেসর লাকপা হৌখি।

মিদ্দল ইষ্টকী সিক্যুরিটিদা অকায়বা থোকহন্দনবা ইরাননা রিজনল ষ্টেটশিংগা হোৎনমিন্নবা শেম-শারে হায়না রৌহানিনা সাউদর্ন হোর্মোজগান প্রোভিন্সতা মীয়ামদা ৱা ঙাঙলদুনা হায়খি। ঐখোয়না লমদম অদুগী লৈবাক খুদিংমক্কা মচিন-মনাও ওইবগী মরী থম্নবা পাম্মী। ইরাননা লমদম অদুদা অকল-অরিং শিংবগী থৌওং অমত্তা চত্থখিবা লৈতে।

ইজরেল অমসুং অমেরিকানা লমদম অদুদা সিক্যুরিটি লিংবা ঙম্মী হায়না রিজনল ষ্টেটশিংনা থাজরিবসি লাল্লি। ঐখোয় মুস্লিমশিংনা লমদম অদুদা সিক্যুরিটি লিংবা ঙমগনি হায়না রৌহানিনা ফোঙদোকখি। রৌহানিনা মমাঙদা কুমজা ২০১৩ দা মহাক্না মীখলদা মায় পাক্লবা মতুংদা সাউদি অরাবিয়াদা উৎখিবা ইঙ্গিৎশিং অমদি মহাক্কী ফোরেন মিনিষ্টর মোহম্মদ জভদ জারিফনা কুমজা ২০১৭ তা হোৎনখিবশিং মায় পাকখিদে। মহাক্না ইনৌ নৌনা অমুক হোৎনরিবসিসু এনালিষ্ট খরনা থোইদোক্না কান্নগদবা মান্দে হায়না ফোঙদোক্নরি।

হৌজিক লৈরিবা য়েংথিনবগী মওং অসি খন্নবা তারবদি কন্না য়েংথিনদুনা লাকপা লৈবাক অনীগী মরক্তা দাইলোগ চত্থবা হায়বসি ওইথোক্লোই হায়না তেহরানদা বেজ তৌবা এনালিষ্ট হমিদ ফারাহভাশিয়ন্না ফোঙদোকখি। ইরাননা সাউদি অরাবিয়া অমসুং য়ুনাইটেদ অরব এমিরেটসপু য়ুমশকৈশা নুমীৎতা পাকিস্তানগা লোন্নবা সাউথ ইষ্টর্ন প্রোভিন্সতা চত্থখিবা সুইসাইদ বোম্মিং য়াওনা ইরানিয়ন ফোর্সশিংগী মায়োক্তা এটেক কয়া তোয়না পাঙথোক্লিবা সুনি মিলিটেন্ট গ্রুপশিং শৌগৎলি হায়না মরাল শিরি।

ইথনিক মাইনোরিটি বালুচিশিংগী অহেনবা হকশিং তাল্লিবা সুনি গ্রুপ জাইস অল অদল (আর্মি ওফ জষ্টিস) না এটেক অদু মখোয়গী খুৎনি হায়না ক্লেম তৌখি। ইরানগী এলি রেভল্যুস্নরি গার্দস কোরদা চত্থখিবা এটেক অদুদা গার্দসকী মীওই ২৭ শিখি। রেভল্যুস্নরি গার্দশিংনা সাউদি অরাবিয়া, য়ু এ ঈ অমসুং পাকিস্তানদা এটেক অদুগী খুৎ হনগনি হায়না কিহনখ্রবনি। অমরোমদা, সাউদি অরাবিয়া, য়ু এ ঈ অমসুং পাকিস্তান্নদি মিলিটেন্টশিং শৌগৎপগী ব্রাফম য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

# বৃটিশ প্রাইম মিনিষ্টর মেনা ঈ য়ুগী জনকরগা ব্রেক্সিটকী ৱারী শানরগনি

লন্দন, ফেব্রুৱারি ১৭ (এজেন্সি):
প্রাইম মিনিষ্টর তেরেসা মেনা মথংগী চয়োলদা য়ুরোপিয়ন কম্মিসনগী প্রসিদেন্ট জোন-ক্লোদ জনকরগা ব্রেক্সিটকী ৱারী শানরগনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টরগী ওফিসনা থাংজ নুমীৎতা ফোঙদোকখ্রে।

চয়োল অসিদা পার্লিয়ামেন্টতা সিম্বোলিক ওইনা মায়থীবা নংখিবা মতুংদা প্রাইম মিনিষ্টর মেনা ঈ য়ুগী প্রসিদেন্টগা ৱারী শানগদৌরিবনি। মহাক্না পার্লিয়ামেন্টদা খ্বাইদগী নৌনা মায়থীখিবদুনা ঈ য়ুগা নিগোসিএসন তৌনবদা মহাক্কী পাঙ্গল হন্থহল্লগনি হায়না ওবজার্ভরশিংনা ফোঙদোক্নখি।

মহাক্কী ওফিসনা ৱারী শানবগী তারিখ পীখিদ্রবসু মেনা লাক্লিবা নুমীৎ খরনি অসিদা ঈ য়ুগী মেম্বর ষ্টেট খুদিংমক্কী লুচিংবশিংগা ৱারী শাননবা থৌরাং তৌরি হায়না ফোঙদোকখি। নিংথৌকাবা নুমীৎতা ব্রেক্সিট সেক্রেটরি ষ্টেভ বার্ক্লেনা ঈ য়ুগী চীফ নিগোসিএটর মিচেল বার্নিয়রগা উনগনি হায়না মেগী ওফিসকী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখি। লৈবাকপোকপা নুমীৎতা এটোর্নি জেনরেল জিওফ্রি কোক্সনা স্পিচ অমা পীদুনা বৃটেনবু নোরদর্ন আইরিস বেকষ্টোপনা মতম চুপ্পদা খুরৌ থাংহনবা য়ারিবা লিগেল রিস্ক কোকহনবদা করি করি অহোংবশিং চঙগদগে হায়বগী মতাংদা শুগায়না পনগনি।



হৌখিবা শগোলশেন নুমীৎকী সিম্বোলিক ভোট অদুদা মেনা মায়থীখিবদুনা মহাক্কী দিল অদু আইরিস বেকষ্টোপকী মতাংদা দিমান্দ খরা থুংহল্লগা পার্লিয়ামেন্টদা পাস তৌহনবা য়াগনি হায়না মহাক্ন ঈ য়ুগী লুচিংবশিংদা থাজবা পীখিবদুগা তায়োন্নখি। আইরিস বেকষ্টোপ অসি বৃটিশ প্রোভিন্স নোরদর্ন আইরলেন্দ অমসুং ঈ য়ুগী মেম্বর আইরলেন্দ (রিপব্লিক ওফ ঝাইরলেন্দ) গী মরক্তা অমুক হন্না বোর্দর কন্ট্রোল তৌবগী ফীভম লাক্লোই হায়বগী গরেন্টি অমনি।

চহী ৪৫ গী মতুং বৃটেননা মথং থাদা ঈ য়ু থাদোক্নবা থৌরাং তৌরিবদুগী মাঙওইননা ইস্যু অসি কন্না য়ানদ্রিবা মরুওইবা ইস্যুশিংগী মনুংদা অমা ওইরকখি। প্রাইম মিনিষ্টর মেনা নাকপাক তান্নরবা মহাক্কী এম পিশিংদা লৈবাক্কী অপাম্বা য়েংদুনা ঈ য়ু থাদোকপগী মতাংদা খেন্নবা ৱাখল্লোন কয়া লৈনরিবদু থাদোক্নবা ইদুনা তকশিনখ্রে হায়না মহাক্কী ওফিসনা ফোঙদোকখি।

# তেহরান্না পাকিস্তানদা এটেক্করশিংগী মথক্তা এক্সন লৌখৎনবা হায়খ্রে, সাউদি অরাবিয়াদা ৱার্নিং তৌখ্রে



দুবাই, ফেব্রুৱারি ১৭ (এজেন্সি):
বোর্দর মনাক্তা এটেক তৌদুনা ইরানগী রেভল্যুস্নরি গার্দ ২৭ হাৎখিবা মিলিটেন্টশিংবু ফাবা-পুনবনচিংবা তৌনবা নৎত্রগা তেহরাননা মিলিটরি এক্সন লৌখৎতুনা টেররিষ্টশিংবু চৈরাক পীবা ঙাইনবা ইরাননা থাংজ নুমীৎতা য়ুন্নোন্নবা পাকিস্তানদা খঙহনখ্রে হায়না ষ্টেট মীদিয়ানা ফোঙদোক্লি।

রেভল্যুস্নরি গার্দসকী কম্মান্দর মেজর জেনরেল মোহম্মদ অলি জফারিনা ইরানগী রিজনল রাইভল সাউদি অরাবিয়া অমসুং য়ুনাইটেদ অরব এমিরেটস (য়ু এ ঈ) দসু ইরানগী সিক্যুরিটি ফোর্সশিংদা এটেক তৌবা সুনি মিলিটেন্ট গ্রুপশিং শৌগৎপগীদমক খুৎ হনবগী থৌরাং কয়া পায়খৎপা য়াই হায়নসু চেকশিনব্রা হায়খ্রে।

করিগুম্বা পাকিস্তান্না মশাগী থৌদাং পাঙথোক্তবা তারবদি ইরাননা মসিগী বোর্দরদা অকিবা পোকহল্লিবশিং ইন্টরনেসনল লোদা য়ুম্ফম ওইরগা থেংনগনি অমসুং খুৎ হন্দুনা টেররিষ্টশিংবু চৈরাক পীগনি হায়না ষ্টেট ন্যুজ এজেন্সী ইর্নানা জফারিগী ৱারোল পল্লদুনা ফোঙদোকখি।

লৈবাক অদুগী সুনি মুস্লিম মাইনোরিটিগী মিলিটেন্টশিংনা এটেক চত্থবা হেনগৎলক্লিবা খা-নোংপোক থংবা লমদম অমদা য়ুমশকৈশা নুমীৎতা সুইসাইদ কার বোম্মর অমনা ইরানগী এলিট রেভল্যুস্নরি গার্দসকী মেম্বর ২৭ হাৎখিবনি। সুনি গ্রুপ জাইস অল অদল (আর্মি ওফ জষ্টিস) না এটেক অদু মখোয়গী খুৎনি হায়না ক্লেম তৌখি। গ্রুপ অদুনা লৈবাক অদুদা লৈরিবা ইথিনিক মাইনোরিটি মালুচিশিংগী অহানবা হকশিং অমদি হেন্না ফবা পুন্সি মহিংশিং দিমান্দ তৌরিবনি।

পাকিস্তানদা চঙজফম লৌদুনা খুদোংথিবা নংলোইদবা মওংদা লৈরিবা মিলিটেন্ট গ্রুপশিংনা এটেক কয়া তৎতনা চৎথে হায়না ইরানগী সিয়াইট মুস্লিম ওথোরিটিশিংনা হায়রি অমসুং মখোয়বু ফাবা, পুনবা অমদি চৈরাক পীবনচিংবা তৌনবা য়ুন্নোন্নবা লৈবাক অদুদা হঞ্জিন হঞ্জিন তকশিনখ্রে। মখোয়বু (এটেক্করশিংদু) ইজরেলিশিং অমসুং অমেরিকানশিংগী ওর্দরদা লমদম অদুগী রিয়েক্সনরি ষ্টেটশিংনা শৌগৎলি। ঐখোয়না খুৎ হনবগী খোঙথাং শোয়দনা লৌখৎকনি হায়না জফারিনা ষ্টেট টেলিভিজনদা ফোঙদোকখি।

# ইজরেলগা লান শোক্নরকপা য়াবগী রিস্ক চাওনা লৈরে : ইরান

ম্যুনিক, ফেব্রুৱারি ১৭ (এজেন্সি):
ইরানগী ফোরেন মিনিষ্টরনা ইজরেলবু লান থীদুনা লৈরে হায়না মরাল শিখ্রে অমসুং লৈবাক অদুগা লোয়নননা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী থৌওংশিংনা লমদম অদুদা খুৎ থোক্নরকপা য়াবগী ফীভম হেনগৎহল্লে হায়না চেকশিনব্রা হায়খ্রে।

তশেংনমক মীওই খরনা লমদম অদুদা লান থীদুনা লৈরে হায়না ইরানিয়ন ফোরেন মিনিষ্টর মোহম্মদ জভাদ জারিফনা ম্যুনিক সিক্যুরিটি কনফরেন্সতা ফোঙদোকখি।

সিরিয়াদা বোমিং কেম্প্যেনশিং চত্থদুনা ইন্টরনেসনল লো খোঙ্গাওনৈ হায়না ইজরেলবু মরাল শিবগা লোয়নননা জারিফনা য়ুরোপকী পৱারশিংবুসু লমদম অদুদা ইজরেল অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা তৌরিবশিংদা য়েংশিন্দে হায়না চৈ থাংখ্রে।

লমদম অদুদা লান অমা থোক্লকপা য়াবগী রিস্ক চাওনা লৈরে। ইন্টরনেসনল লো অদুক্কী মতিক থীনা খোঙ্গাওনবগী থৌওংশিংবু নখোয়না মখা তানা উশিন্নদ্রবদি রিস্ক চাওবা হেনগৎলক্কনি।

ইজরেলগী থৌওং অসিনা ইন্টরনেসনল লোগী চন্নফম লৈহন্দ্রে। ইজরেলগা মান্নবা য়ু এসকী থৌওং অসিনসু ইন্টরনেসনল লোগী চন্নফম লৈহন্দ্রে হায়না ইরানগী ফোরেন মিনিষ্টরনা মখা তাখি।

হৌজিক ফাওবগী ওইনদি ইরাননা কুমজা ২০১৫ দা মালেমগী পৱারশিংগা সাইন তৌনখিবা ন্যুক্লিয়র দিল অদুদা অচেৎপা থাজবা থল্লি হায়বা ৱাফম থম্বগা লোয়নননা জারিফনা ফ্রান্স, বৃটেন অমসুং জর্মনিবু একোর্দ অদুগী শেল-থুমগী কান্নবশিং টেহরানদা ফংহন্নবা মতিক চানা হোৎনদে হায়নসু মরাল শিখি।

# সাউথ এসিয়াগী খোঙচৎতা সাউদি ক্রাউন প্রিন্স পাকিস্তান পাঙখ্রে

ইস্লামবাদ, ফেব্রুৱারি ১৭ (এজেন্সি):
সাউদি অরাবিয়াগী ক্রাউন প্রিন্স মোহম্মদ বিন সলমান সাউথ এসিয়া অমসুং চাইনাগী খোঙচৎতা নোংমাইজিং নুমীৎতা পাকিস্তানদা থুংলগনি। ন্যুক্লিয়র খুৎলায় লৈনরবা য়ুন্নোন্নবা রাইভল অনী হায়বদি ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্তানগী মরক্তা উংখৎনবা হেনগৎলক্লিঙৈ মরক্তা সাউদি ক্রাউন প্রিন্সনা খোঙচৎ অদু চৎলিবনি।

সাউদি ক্রাউন প্রিন্স সলমানগী খোঙচৎ অসিগী নুমীৎ খরনি মাঙওইননা কাশ্মিরদা সুইসাইদ বোম্মর অমনা ইন্দিয়াগী পেরামিলিটরি পুলিস ৪৪ হাৎখি। ন্যু দিল্লিনা পাকিস্তানবু বোম্মিং এটেক অদুদা খুৎ য়াওই হায়না মরাল শিবগা লোয়নননা ইস্লামবাদপু চৈরাক পীগনি হায়না চেৎনা ফোঙদোকখ্রে।

অমরোমদা, ইস্লামবাদনদি এটেক অদুদা চেন্নদে হায়রি। মালসিয়া অমসুং ইন্দোনেসিয়াগী ওফিসলশিংগী মতুংইন্না, এসিয়াগী খোঙচৎ অদুদা প্রিন্স মোহম্মদনা লৈবাক অনী অসিদসু চৎনবা থৌরাং তৌখি। তৌইগুম্বসুং লৈবাক অনীসিগী খোঙচৎ য়ৈথোকখ্রে। য়ৈথোকপগী মরম নৎত্রগা খোঙচৎ অদুগী অতোপ্পা তারিখশিং পীখিদে।



শেলগী অৱাবা মায়োক্নরিবা অমসুং মরুপ কয়া থম্বগী তঙাইফদবা লৈরিবা পাকিস্তাননা ক্রাউন প্রিন্স অদুবু তরাম্না ওক্লি। খোঙচৎ অদুদা ক্রাউন প্রিন্সনা দোল্লর বিলিয়ন ১০ হেনবগী ইনভেষ্টমেন্ট এগ্রীমেন্টশিং সাইন তৌনরবা য়াই হায়না থাজনরি।

হৌখিবা থা খরসিদা সাউদি অরাবিয়ানা ফোরেন এক্সচেঞ্জ রিজার্ভস ফীভম থীনা হন্থরক্লবা পাকিস্তানগী ইকনমিদা মতেং পাংবা ওইনা দোল্লর বিলিয়ন ৬কী লোন অমা পীখি। মদুনা ইস্লামবাদপু ইন্টরনেসনল মনিটরি ফন্দগা বেলআউট অমা য়াননবা ঙাওনরিঙৈ শ্বর হোন্নবগী খুদোংচাবা অমা পীখি।

এনালিষ্টশিংনা ক্রাউন প্রিন্সকী খোঙচৎ অদু চাইনিজ প্রসিদেন্ট সী জিনপিংনা কুমজা ২০১৫ দা চৎখিবা খোঙচৎ অদুগী মতুংদা খ্বাইদগী চাওবনি হায়রি। চাইনাগী গ্লোবল বেল্ট এন্দ রোদ ইনিসিএটিভকী শরুক অমা ওইনা পাকিস্তানদা দোল্লর বিলিয়ন কয়া ইনভেষ্ট তৌরগনি হায়না বৈজিংনা লাউথোকখিবা মতুংদা প্রসিদেন্ট সীনা খোঙচৎ অদু চৎখিবনি।

ক্রাউন প্রিন্সকী খোঙচৎ অসিনা মীচঙ অনীগী মরী হেন্না চেৎশিনহল্লগনি হায়না থাজনরি। মমাঙগী মরী অদু থাউ মরাং কায়না থোক্তুনা ইনাক খুনবা লৈবাক অমা ওইরিবা সাউদি অরাবিয়ানা ৱারবা মতমদা পাকিস্তানগী ইকনমিদা মতেং পাংবা অমসুং মদুগীদমক পাকিস্তানগী মতিক ময়াই লৈরবা আর্মিনা সাউদি অরাবিয়া অমসুং মসিগী রোয়েল ফেমিলিবু শৌগৎপদা য়ুম্ফম ওইখি।

ইস্লামগী হৌরকফমগী শেংলবা মফমশিং শেন্নরিবা সাউদি রোয়েল ফেমিলিনা মুস্লিমশিংনা মশিং য়াম্বা কঞ্জার্ভেটিভ পাকিস্তানদা লাইনিং-লাইশোনগা মরী লৈননা ঈথিল চাওনা পীবা ঙম্মী।

# সিরিয়াদগী ক্রুপ হাথু হাথু লৌথোক্লোই : য়ু এস



ম্যুনিক, ফেব্রুৱারি ১৭ (এজেন্সি):
য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা সিরিয়াদগী হাথু হাথুনা অমসুং য়াম্না থুনা ক্রুপশিং লৌথোক্লোই অমসুং ইস্যু অসিগী মতাংদা মীচঙশিংগা কুপ্না তান্নগনি হায়না সিরিয়াগা মরী লৈনবা য়ু এসকী স্পেসল এনভোইনা নোংমাইজিং নুমীৎতা ফোঙদোকখ্রে।

ঐখোয়না মখোয়দা (মীচঙশিংদা) ক্রুপ লৌথোকপা মতমদা হাথু-হাথুনা অমদি থুনা লৌথোক্লোই, তৌইগুম্বসুং ষ্টেপ নাইনা লৌথোক্কনি হায়দুনা লাক্লি হায়না জেমস ফ্রেন্কলিন জেফ্রিনা ম্যুনিক সিক্যুরিটি কনফরেন্সতা হায়খি। য়ু এসনা সিরিয়াদগী ক্রুপ ২০০০ লৌথোক্নবা ৱারেপ লৌখিবদা মীচঙশিংনা নুংনাংনরিবদু কোকহন্নবগীদমক্তা মহাক্না ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

টর্কিশ-সিরিয়ন বোর্দরদা সেফ জোন অমা শেম্বগী মতাংদা ৱারী শানরকপদা ইস্লামিক ষ্টেটকী মিলিটেন্টশিংগা লান্থেংনরিবা য়ু এসনা শৌগৎপা কোলিসনগা থবক তৌমিন্নরিবা কর্দিশ মিলিস্যাগী মতাংদা করি তৌগদগে হায়বা ৱাফমসিদা জেফ্রি অমসুং টর্কিশ দিফেন্স মিনিষ্টর হুলুসি অকরগা মত মান্নখিদে। সিরিয়াগী অপূনবগী শক্তমবু ঐখোয়না ঈকায় খুম্নে, তৌইগুম্বসুং মরুওইরিবা ৱাফমদি টর্কিগী বোর্দর অমসুং লৈবাক অসিগী মীয়ামগী সেফতি অমসুং সিক্যুরিটি অসিনি। অদুনা মরুওইরিবা ৱাফমদি ৱাই পি জি (কর্দশিং) ওইরবসু নৎত্রগা দেইশ (ইস্লামিক ষ্টেট) ওইরবসু টেররিষ্টশিংবু চঙহন্দবা নৎত্রগা লৈহন্দনবগী সিক্যুরিটিগী থৌরাং অসিনি হায়না টর্কিশ দিফেন্স মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

# অথিংবা থমদুনা য়ু এসনা মাদুরোদা অহেনবা প্রেসর পীখ্রে

ৱাশিংতন, ফেব্রুৱারি ১৭ (এজেন্সি):
ভেনিজ্যুএলাগী মকোক থোংবা সিক্যুরিটি ওফিসল খরা, ষ্টেট ওইল কম্পেনিগী মকোক্কী মথক্তা অথিংবা খরা থমদুনা অমসুং কলম্বীয়ন বোর্দরদা তেংবাংগী পোৎলম টন চহী হেন্না এয়রলিফ্‌ট তৌনবগী থৌরাংশিং উৎতুনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা ইরাই নুমীৎতা লেটিন অমেরিকান লৈবাক্তুগী প্রসিদেন্ট নিকোলাস মাদুরোদা অহেনবা প্রেসর পীখ্রে।

য়ু এস ত্রেজরিনা হায়, দিপার্টমেন্ট অসিনা পি দি ভি এস এগী চীফ মান্যুএল ক্যাভোদা, তোপ ইন্টলিজেন্স ওফিসল অহুম অমসুং অহিংদা রেইদশিং চত্থদুনা এক্সত্রাজুদিসল মীহাৎ কয়া পাঙথোকপদা মপুং ওইনা চেন্নবা নেসনল পুলিস য়ুনিটকী মকোক ওইরিবা রাফেল বাষ্টার্দোগী মথক্তা অথিংবশিং থমখ্রে।

তোঙানবা খোঙথাং অমদা ভেনিজ্যুএলাগী বোর্দরগা তায়নবা কলম্বীয়াগী কুকাতাদা অৱা-অনা তারবশিংগী তেংবাংগী পোৎলমশিং প্লেনদা পুশিন্নবা পেন্টাগোন অমসুং য়ু এস এইদ এজেন্সীগা হোৎনমিন্নরি হায়না ষ্টেট দিপার্টমেন্টনা ইরাই নুমীৎতা ফোঙদোকখ্রে।

দিপার্টমেন্ট ওফ এম্পৱারমেন্ট ওফ পার্সন্স ৱিথ দিসেবিলিটিজ (দিভ্যাঙ্গান)
মিনিষ্ট্রি ওফ সোসল জষ্টিস এন্দ এম্পৱারমেন্ট
গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া

দীনদায়াল দিসেবল্ড রিহেবিলিটেসন স্কিম (দি দি আর এস) গী কোলকাটাদা রিজনেল কনফরেন্স

তারিখ : ১৮ ফেব্রুৱারী, ২০১৯ মতম : অয়ুক পুং ১১.০০ দগী হৌগনি

মফম : দ ললিত গ্রেট ইষ্টর্ন কোলকাটা, গ্রেট বোল রুম, ১,২,৩ ওল্ড কোর্ট হাউস ষ্ট্রীট, দালহৌসি স্কৱার, কোলকাটা, ৱেষ্ট বেঙ্গল

- মরুওইবা ফিচরশিং -

দীনদায়াল দিসেবল্ড রিহেবিলিটেসন স্কিম (দি দি আর এস) না আর্লি ইন্টরভেন্সন, স্পেসল এদ্যুকেসন অমসুং কম্যুনিটি সপোর্ট অসিনচিংবগী লমশিংদা হকচাংগী ফীভম তোঙাল্লবা মীওইশিংবু খুন্দা-লৈতাহনবগী থবক তৌরিবা ভোলন্টরি ওর্গনাইজেসনদা শেলগী মতেং পীরি।

- স্কিম অসি রিভাইজ তৌরে অমসুং শেলগী তেংবাং শরুক ২.৫ হেনগৎহল্লে।
- প্রোজেক্ট ইমপ্লিমেন্ট তৌরিবা এজেন্সীশিংনা হৌজিক এদমিসিবল গ্রান্ট-ইন-এইদ অদুগী ৯০% ফাওবা ফংবা য়ারগনি। (স্কিম অসিদা পল্লিবা) অখন্নবা লমশিংদদি ১০০% য়াহনগনি।
- এপ্লিকেসন সবমিট তৌবগী ওনলাইন পোর্টেল লাইথোকহল্লে।
- এপ্লিকেসনশিং প্রোসেস তৌবা অমসুং ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা রিকমেন্দেসনশিং থাবগী মওং লাইথোকহল্লে।

স্কিম অসিগী অকুপ্পা ইনফোর্মেসন দিপার্টমেন্ট অসিগী ৱেবসাইট www.disabilityaffairs.gov.in দা ফংগনি।

davp 38117/13/0118/1819

# নোর্থ সিনাইদা ইজিপটকী ক্রুপ ১৫ হাৎখ্রে : মিলিটরি



কাইরো, ফেব্রুৱারি ১৭ (এজেন্সি):
ইজিপটকী নোর্থ সিনাইদা গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংগা মিলিটেন্টশিংগা খুৎ থোক্নবদা মিলিটরি পর্সনেল ১৫ অমসুং মিলিটেন্ট তরেৎ শিখ্রে হায়না ইজিপসন মিলিটরিনা হায়রি।

থাংজ নুমীৎকী খুৎ থোক্নবা অদুদা মিলিটরিগী মায়কৈদা মীওই কয়া শিখি অমদি কয়ানা শোকখি হায়বগী মতাংদা খুদক্কী ওইনা শেংনা খঙবা ঙমখিদে। অদুম ওইনমক অশোকপা খরদি ফীভম লুই হায়না সিক্যুরিটি ফোর্স অনীনা রোইটর্সতা ফোঙদোকখি।

তুংদা ইস্লামিক ষ্টেটনা এটেক অদু মখোয়গী খুৎনি হায়না গ্রুপ অদুগী ন্যুজ এজেন্সী অমাককী ফোঙদোকখি। অমাক্কী মতুংইন্না, য়ামদ্রবদা ইজিপসন ক্রুপ ১৫ শিখি। গ্রুপ অদুনা মখোয়গী ক্লেম অদুগী খুথাংদা ইভিদেন্সতি পীখিদে।

সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা চহী অমগী মমাঙদা ইজিপটকী সিনাই পেনিনসুলাদা মীৎয়েং থমদুনা ইস্লামিক মিলিটেন্টশিংগী মায়োক্তা কেম্প্যেন অমা হৌখিবনি। মিলিটরি কেম্প্যেন অদুদা হৌজিক ফাওবদা মিলিটেন্ট চা কয়া হাৎখ্রে হায়না সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা ক্লেম তৌখি।

থৌদোক থোকখিবা মতমদা বোমিং ওপরেসনশিং, চিংনবা মীওইশিং তান্নবা অমসুং টেররিষ্টশিং লোইশিনবগী থবক চত্থরি হায়না মিলিটরি স্পোক্সমেননা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি। ওপরেসনশিংদু নোংথক্তগী মতেং পাঙলগা চত্থরি হায়না সিক্যুরিটি ছোর্সশিংনা ফোঙদোকখি। কুমজা ২০১৩ দগী ইস্লামিক মিলিটেন্টশিংনা সিক্যুরিটি চেকপোইন্টশিং অমসুং ইজিপটকী খৃষ্টান মাইনোরিটিদা হঞ্জিন হঞ্জিন্না তার্গেট তৌখ্রে।

# পুলৱামাদা চত্থখিবা টেররিষ্ট এটেক্তা আই এস আইনা থৌদাং য়ারম্বা য়াই হায়না য়ু এসকী এক্সপার্টশিংনা চিংনরি

ৱাশিংতন, ফেব্রুৱারি ১৭ (এজেন্সি):
জম্মু অমসুং কাশ্মিরদা শগোলশেন নুমীৎতা চত্থখিবা টেররিষ্ট এটেক্তা জাইস-ঈ-মোহম্মদ চেন্নবা অসিনা অদুগুম্বা থৌদোক্তা পাকিস্তানি স্পাই এজেন্সী আই এস আইনা লৌরিবা থৌদাংগী মরমদা অরুবা ৱাহং কয়া লাকহল্লে হায়না সাউথ এসিয়াগা মরী লৈনবা অমেরিকান এক্সপার্টশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

য়ামদ্রবদা পর্সনেল ৩৭ শিখিবা অমসুং অতে কয়ানা ফীভম থীনা শোকখিবা এটেক অদু পাকিস্তানদা বেজ তৌবা জে ঈ এমনা ক্লেম তৌখ্রে। এক্সপার্টশিংনা হায়রি মদুদি, টেরর ষ্ট্রাইক অদুনা জাইস-ঈ-মোহম্মদ অমসুং অতে টেররিষ্ট গ্রুপশিংগী মায়োক্তা মতিক চাবা লৌখৎফম থোকপা এক্সন লৌখৎনবা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা পাকিস্তানদা তকশিল্লকখিবদু মায় পাক্ত্রে হায়বা উৎলি।

এটেক অদুদা জে ঈ এম চেন্নে হায়না গ্রুপ অসিনা ক্লেম তৌজখিবসিনা আই এস আইনা ওপরেসন অসিগী মাষ্টরমাইন্দশিংবু শৌগৎপদা লৌরিবা থৌদাংগী মরমদা অরুবা ৱাহং কয়া লাকহল্লি হায়না হান্নগী সী আই এ এনালিষ্ট ব্রুস রাইদেলনা ফোঙদোকখি।

পাকিস্তানদগী হকথেংননা চত্থরকখিবগী খুদম চাংদমশিং লৈরবা টেররিষ্ট এটেক অদু পাকিস্তানগী প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খাননা মায়োক্নরিবা অহানবা অচৌবা শিংনবা ওইরি হায়না ব্রুকিংস ইনষ্টিট্যুট থিঙ্ক- টেঙ্ককী স্কোলার ওইরবা রাইদেলনা হায়খি। মসি ইমরানগী অমসুং মহাক্কী এদমিনিষ্ট্রেসনগী অহানবা অরুবা শিংনবা অমা ওইরগনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি। মমাঙগী ওবামা এদমিনিষ্ট্রেসনদা নেসনল সিক্যুরিটি কাউন্সীলগী ওফিসল ওইরম্বা অনিস গোইলনা হায়খি, শাথিরবা পাকিস্তানদা বেজ তৌবা টেররিষ্ট গ্রুপশিং হৌজিকসু কাশ্মিরদা ওপরেট তৌরি হায়বসি কিনিংঙাই ওইরবা এটেক অদুনা উৎলি।